# ঈ সী আইনা মীখলগী শেম শানবা খঙহনখ্রে

## য়ু পিদা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা সমাজৱাদি পার্টিগী মীরেপ ৩২৫ লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): ষ্টেট মঙাদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মতম লেপ্পগনি হায়বগী ঈঙ্গিৎ পীবা ওইনা ইলেক্সন কম্মিসননা সেন্টর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা মীখলগী মতম হেক লাউথোকপগা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনহন্নবা খঙহনখ্রে।

কেবিনেট সেক্রেটরি অমদি মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ষ্টেটশিং-উত্তর প্রদেশ, উত্তরখন্দ, গোৱা, মণিপুর অমদি পঞ্জাবকী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাবা চেরোল অমদা কম্মিসননা হায়খি মদুদি, মীখল মতম হেক লেপ্পগা মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনহন-গদবনি। তৌগদবা অমসুং তৌরোইদবা থবকশিং য়াওবা কম্মিসনগী ৱারোল অদুদা পব্লিক প্লেসপু অরানবা মওংদা শীজিন্নহন্দবা, গভর্ণমেন্টকী গাড়ীশিং মীখলগী কেম্পেয়নদা শীজিন্নহন্দবা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ৱেবসাইটতগী পোলিটিকেল ফঙ্কসনরি পুন্নমক্কী ফোটো লৌথোকপা অমসুং মীয়ামগী লন শীজিন্নরগা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা মীখলগী এদভর্টিজমেন্ট তৌবা য়াহন্দবা হায়বনচিংবা ৱাফম কয়ামরুম য়াওরম্মী।

পোলিটিকেল পার্টিশিংনা মীখলগা মরী লৈননা ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াদা এদভর্টিজমেন্ট তৌরমদায়দা দিষ্ট্রিক্ট অমদি ষ্টেট থাক্কী মিদিয়া সর্টিফিকেসন এন্দ মোনিটরিং কম্মিটিগী অয়াবা মাঙজৌননা লৌগদবনি হায়নসু ইলেক্সন কম্মিসননা ময়েক শেংনা খঙহনখি।

ইলেক্সন কম্মিসনগী ছোর্স অমগী মতুংইন্না দিসেম্বর ৩০ দা ষ্টেট ৫গী মীখলগী মতম লাউথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। উত্তর প্রদেশখক নৎতনা অতৈ ষ্টেটশিংদি নোংমখক্তদা মীখল পাঙথোকপা লোইশিনগদৌরি। য়ু পিগী ওইনদি তাঙ্কক ৭ থোক্না মীখল পাঙথোক্লবা য়াই হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

মরকসিদা, সমাজৱাদি পার্টিনা উত্তর প্রদেশকী মীখল মমাঙদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা এল্লাইন্স শেম্বগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৩২৫কী মমিং লাউথোকখ্রে।

পাউগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙখিবদা পার্টিগী লুচিংবা মুলায়ম সিংহ য়াদবনা হায়খি, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা সমাজৱাদি পার্টিনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নদনবা ফিরেপ লৌরে। মীরেপ ৩২৫গী মিং লাউথোকখ্রবা মতুংদা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা লেমহৌরিবা মীরেপ ৭৮ গী মমিং লাউথোক্লগনি।

পাউগী মীফম অদুদা মুলায়মগী মনাওনুপা শিবপাল য়াদবসু শরুক য়াখি। অদুমওইনমক চীফ মিনিষ্টরসু ওইরিবা মহাক্কী মচানুপা অখিলেশ য়াদবতি পাউমীশিংগা উনবদা শরুক য়াখিদে। পার্টিগী লুচিংবশিংনা য়াম্না কন্না য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরবসু শিবপাল অমদি অখিলেশ য়াদবনা মতম খরগী মমাঙদগী হীরম কয়াদা মোত মান্নদনা লাকখিবনি।

নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা অখিলেশ য়াদবনা হন্দক্কী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই ৪০৩গী মিং মুলায়ম সিংহ য়াদবতা পীশিনখি।

অমরোমদা, শিবপাল য়াদবনা হায়খি মদুদি, মাঙজৌননা মীরেপ ওইগদবা মীওই ১৭৫ গী মতাংদা য়ানবা পুরকপা লৈখ্রবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা হোংদোক-হোংজিন তৌবা ঙম্লরোই।

সমাজৱাদি পার্টিনা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সনদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নররোই হায়না লাউথোরকখ্রবনিনা হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা এল্লাইন্স শেম্নবগী মতাংদা হোৎনরিবা থৌরাং অমা অরেম্বা তাগদৌরি।

পনবা য়াবদি, কোংগ্রেস অমসুং সমাজৱাদি পার্টিনা মীখল মমাঙদা এল্লাইন্স শেম্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমখিদ্রবনি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাজ বাব্বরনা হায়খি মদুদি, সীট য়েন্নবগী মতাংদা সমাজৱাদি পার্টিগা য়ানবা ঙমদবা মরম্না হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেসনা নাইতোম মীখল থেংননবা ফিরেপ লৌরে।

অমরোমদা, ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, সমাজৱাদি পার্টিনা কোংগ্রেস, অজিট সিংহগী রাষ্ট্রিয়া লোক দল অমদি অতোপ্পা পার্টি খরদা সীট ১০০ পীবগী ৱাফম হৌদোরকপদা কোংগ্রেসনা য়াখিদবা মরম্না মীখল মমাঙদা এল্লাইন্স শেম্বা ঙমখিদবনি।

মীরুটতা পাঙথোকখিবা পার্টি ৱাকরশিংগী মীফম অমদা কোংগ্রেসকী জেনরেল সেক্রেটরি ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খি, য়ু পিগী এসেমব্লি ইলেক্সনদা কোংগ্রেসনা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা চৎমিন্নররোই হায়না ফিরেপ লৌরে। মীখল মমাঙদা অতোপ্পা পার্টি অমগা এল্লাইন্স শেম্বগী মতাংদা ৱারী শানবা লৈতে হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। বি জে পিনা মীখলগা মরী লৈননা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৪০৩ দা পরিবর্তন যাত্রা পাঙথোকপা লৈখ্রবনি।

# দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কদবনি : কোংগ্রেস

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): দিমোনেটাইজেসনগী মতাংদা হ্বাইট পেপর অমা পুথোক্কদবনি হায়না তকশিল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা কোংগ্রেসনা ৱাহং কয়ামরুম হংখ্রে।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা হৌজিক ফাওবদা ব্লেক মনি কয়া য়াম্না ফাগৎপা ঙম্লবগে হায়না হংখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুমসু তকশিনখি। মরুওইনা শেল লৌথোকপগী মতাংদা থল্লিবা অথিংবা লৌথোক্কদবনি অমসুং দিমোনেটাই-জেসননা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা লৌমী, লল্লোন-ইতিক তৌবশিং অমসুং লায়রবা মীয়ামদা মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়না তকশিনখি।

কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা এম এন আর ঈ জি এগী খুৎশুমল তঙ্খায় অমা হেনগৎপগা লোয়ননা লেবররশিংনা থবক শুবগী নুমিৎ মশীং হেনগৎকদবনি। দুকান ফল্লিবা মীওইশিংনা থীগদবা ইনকম টেক্সকী চাং চাদা ৫০ হন্থহনগদবনি অমসুং লৌমীশিংগী লোন কোকপী-গদবনি হায়নসু মহাক্না তকশিনখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, দিমোনেটাইজেসনগী মমাঙদা মীওই কয়ানা লুপা লাখ ২.৫ বেঙ্কতা থমজিল্লকখিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা লাউথোরক্কদবনি অমসুং শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবনা মরম ওইরগা অৱাবা তারবা বি পি এল ফেমিলিগী নুপী অমমম্দা লুপা লিশিং ২৫ পীনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

নবেম্বর ৮ দা গভর্ণমেন্টনা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনদ্রে হায়না লাউথোকখ্রবা মতুংদা ব্লেক মনি কয়া য়াম্না ফাগৎপা ঙম্লবগে অমসুং থৌরাং অদুনা লৈবাক্কী শেন্মীৎ-লোনদা কয়া য়াম্না অকায়বা থোকহনবগে হায়বদু প্রাইম মিনিষ্টরনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা লাউথোক্কদবনি। শেনয়েক চৎনহনখিদবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙখ্রবগে অমসুং কনা-কনাদা কম্পেন্সেসন পীখ্রবগে হায়বদুসু প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক মীয়ামদা ময়েক শেংনা লাউথোক্কদবনি হায়না রাহুল গান্ধীনা তকশিনখি।

পাউমীশিংগা উনখিবদা মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা দিমোনেটাইজেসনগী ফিরেপ লৌরমদায়দা কনা-কনা তানখিবগে অমসুং নবেম্বর ৮গী মমাঙদা কনা-কনানা মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতা লুপা লাখ ২৫ হেন্না দিপোজিট তৌরকখিবগে হায়বদু ময়েক শেংনা লৈবাক মীয়ামদা লাউথোক্কদবনি।

মহাক্না হায়খি, মীয়াম্না হৌজিক-হৌজিক মায়োক্লরিবা খুদোংচাদব-শিংগী খল্লগা বেঙ্কতগী শেল লৌথোকপগী মতাংদা থল্লিবা অথিংবা কোমথোক্কদবনি অমসুং মীপুম খুদিংমক্তা অখন্নবা শেন্দোয় ওইনা চাদা ১৮ চহীগী ওইনা পীফম থোকই। মীচম মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা দিজিটেল ট্রানজেক্সন তৌবদা লৌরিবা অহেনবা শেনফম পুন্নমক খুদক্তা হন্দোক্কদবনি।

মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী মখাদা য়েন্থোক্লিবা পি দি এসকী পোৎলমশিং মমল তঙ্খায় হন্থহনবগা লোয়ননা লৌমীশিংদা অখন্নবা খুদোংচাবা খরা পীনবা হোৎনফম থোকই। দিমোনেটাইজেসননা মীয়ামদা পীরিবা চৈথেং অসিগী য়েংলগা বি পি এল ফেমিলি খুদিংমক্তা লৈরিবা নুপী অমমম্দা লুপা লিশিং ২৫ গভর্ণমেন্টনা পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওংনা মীপুম খুদিংমক্তা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবা মায়োক্লহনখিবগী মথক্তা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংদসু খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লহনখি। মরম অদুনা দুকান ফল্লিবা অমসুং লল্লোন-ইতিক মচা-মচা তৌজরিবা মীওইশিংদগী লৌরিবা ইনকম টেক্সকী চাং চাদা ৫০ হন্থগদবনি হায়নসু রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, সী পি আই (এম)গী লুচিংবা সিতারাম য়েচুরিনা হায়খি মদুদি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টকা মায়োক্লবা কিবদগী নারোন্দা ওর্দিনান্স পাস তৌদুনা দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাং মায় পাকহন্নবা হোৎনরি।

কোংগ্রেস অমসুং তৃনামূল কোংগ্রেসনা প্রাইম মিনিষ্টরবু দিমোনেটাইজেসনগা মরী লৈননা খুদক্তা মফম লৌথোক্লবা তকশিল্লক-খিবগী মতাংদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়েচুরিনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরনা ফম থাদোকপগী মহুৎতা মীচম মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং খুদক্তা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ওর্দিনান্স অমা পাস তৌদুনা হান্নগী চৎনখিদ্রবা শেনয়েক পায়রম্বা মীওইশিং চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হীরম অসিগী মতাংদা ওর্দিনান্স পাস তৌবগী মথৌ তাদে। অদুবু এন দি এ গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়া-মেন্টতা ৱাফম অসি পুখৎপা কিবদগী নারোন্দা ওর্দিনান্স পাস তৌখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা ওপোজিসন পার্টিশিং মোত অমত্তা ওইনা অচেৎপা ফিরেপ লৌমিন্নরি।

# আই এস আইনা ম্যান্মাররোমদগী ইন্দিয়াদা এটেক চথনবা হোৎনরি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮(এজেন্সী): পাকিষ্টানগী ইন্টর সার্ভিসেস ইন্টলিজেন্স (আই এস আই)না অনৌবা লাল্লোং অমা শেমখিবগা লোয়ননা নোংপোক থংবা মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ইন্টলিজেন্সকী ছোর্স পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, আই এস আইনা থাইলেন্দ অমসুং ম্যান্মারগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈবা মারিসোটতা অনৌবা টেররিষ্টশিংগী কেম্প অমা হাংদোকখ্রে। আই এস আইনা রোহিংজা মুস্লিমশিংবু তালিবান ফাইটরশিংদা ট্রেনিং তৌহল্লবা মতুংদা নোংপোক মায়কৈদগী ইন্দিয়াদা এটেক চথহন্নবা থৌরাং লৌখৎলি।

আই এস আইনা তালিবানগী মতেং লৌরগা হর্কট-উল-জিহাদ-অল-ইস্লামি-অর্কানা অমসুং খালিষ্টানি মিলিটেন্টশিং ট্রেনিং পীদুনা ইন্দিয়াগী মথক্তা অনৌবা লাল্লোং অমা চথনবা থৌরাং তৌরি হায়না ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, কুমজা ২০০৮গী মুম্বাই টেরর এটেকতা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবা জমাট-উদ-দৱাগী লুচিংবা হফিজ সাইদনা পাকিষ্টান গভর্ণমেন্টপু ফীভম অমত্তদা ইন্দিয়াগা য়াশিন্নবা তৌরোইদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা হফিজ সাইদনা হায়খি, ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাশ্মীরদা কা হেনবা থৌওং চথরিবা মরম্না ফীভম অমত্তদা ইস্লামাবাদনা ন্যু দিল্লিগা য়াশিন্নবা তৌরোইদবনি। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরগী ঙমখৈ হোংদোক-হোংজিন তৌনবা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মরাল শীখি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা মহাক্না হায়খি, কাশ্মীরি মীয়াম্না হৌরিবা নীংতম্বগী ঈহৌদা মপুং ফানা শৌগৎলি। অথুবা মতমদা পাকিষ্টানি গভর্ণমেন্টনা ইন্দিয়াগা ৱারী শানদুনা কাশ্মীরিশিংগী অৱাবা কোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

অমরোমদা, সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কাশ্মীরদা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবা মিলিটেন্ট লীদর বুরহান ৱানিনা শিগদবা নোংমা-নীনি ৱাৎলিঙৈদা লাস্কর-ঈ-তোইবাগী লুচিংবা হফিজ সাইদকা ৱারী শানখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

ছোর্স অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, বুরহান ৱানিনা হফিজ সাইদকা ৱারী শানদুনা লাস্কর-ঈ-তোইবা অমসুং হিজবুল মুজাহিদীনগী অপূনবা খুৎপু অমা শেম্লগা ইন্দিয়াগী মথক্তা জিহাদ (হোলি ৱার) চথনবা থৌরাং লৌখৎখি। কাশ্মীর তম্পাক্তা লৈরিবা মিলিটেন্টশিংদা খুৎলায় অমদি শেলগী মতেং পাংবীনবসু ৱানিনা সাইদতা হায়জখি।

# অনিল বাইজালনা দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইরগনি

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৮: হান্নগী হোম সেক্রেটরি অনিল বাইজালনা দিল্লিগী অনৌবা লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইরগনি হায়না ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে। মমাঙদা নজিব জংনা লেফটনেন্ট গভর্ণরগী ফম থাদোকচরগে হায়বা ৱাফম প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জীনা অয়াবা পীখি।

আম আদমি পার্টি (এ এ পি) গভর্ণমেন্টকা হীরম কয়াদা মোত মান্নবা ঙমদ্রবা লেফটনেন্ট গভর্ণর নজিব জংনা দিসেম্বর ২২ দা ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনবা লৈখ্রবনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৩গী জুলাই ৯ দা দিল্লি এসেমব্লি ইলেক্সন পাঙথোক্কদবা থা ৫ রোম ৱাৎলিঙৈদা কেপিটেল সীটিগী ১৯শুবা লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা থৌ পুখিবা নজিব জং কুমজা ১৯৭৩ বেটচকী আই এ এস ওফিসরনি। ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা মহাক জামিয়া মিলিয়া ইস্লামিয়া য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর ওইরম্মী।

নৌনা লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইগদৌরবা বাইজাল কুমজা ১৯৬৯ বেটচকী আই এস ওফিসরনি। কুমজা ২০০৪ দা মহাক হোম সেক্রেটরিগী থৌ পুখি। ফম অসি পায়দ্রিঙৈদা মহাক দিল্লি দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (দি দি এ)গী ভাইস চেয়রমেন ওইরম্মী। মহাক্না পায়রম্বা অতৈ অতোপ্পা ফমশিংদি অন্দামান এন্দ নিকোবারগী চীফ সেক্রেটরি অমসুং ইন্দিয়ন এয়র-লাইন্সকী মেনেজিং দিরেক্টরনচিংবনি।


টৈংপাঙ্গৌ/ লায়েংজরি **UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)**

**উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং**

**(অঙৌবা পকপা)**
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্লনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্লনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্লনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.

**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**
If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3513/03/12-02/01



**SCM S.CHAOBA MEMORIAL BOARDING SCHOOL**
SINGJAMEI KONGBA ROAD IMPHAL EAST (NEAR SINGJAMEI BRIDGE)
NO DEPOSIT SYSTEM
NO LOADGING CHARGES
**ADMISSION OPEN**
**VAN SERVICE WANTED**






Founder Principal
MA Gold Medalist & BT
Retired Lecture, Ram Lal Paul Hr. Sec. School

Fee Structure for Boarders to be paid at the time of Admission for boarders

| Class | Annual Fee Structure: Admission | School Fee | Caution Money | Total(1 year) | Monthly Mess Fee |
|---|---|---|---|---|---|
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | 400x12=4800 | 500 | 6900 | 2700 |
| Class III - Class V | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 2900 |
| Class VI - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | 500x12=6000 | 500 | 9500 | 3000 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | 600x12=7200 | 500 | 10900 | 3100 |

Fee Structure for Day-scholars

| Dayschool students | Annual Fee Structure | | Monthly |
|---|---|---|---|
| Class | Admission | Other Expenses | Total |
| Pre-Nursery | FREE | 500(games+exam) | 400 |
| Nursery - Class II | 1600(admission+games+exam) | NA | 400 |
| Class III - Class VIII | 3000(admission+computer+games+exam) | NA | 500 |
| Class IX & X | 3200(admission+games+exam) | NA | 600 |

Facilities :
1. Free washing clothes for all classes
2. Medical care for all students by two specialist doctors from founder's family 24X7
3. Free monthly school tuition fee for one out of three students of same parents.
4. Half school tuition fee for one out of two students of the same parents.
5. Facility for YOGA,Thang-ta classes at the school campus.
6. Free tution fee of class IX & X talented students scoring 80% marks.
7. Scholarship for first position holders of every classes.
8. One boarding master for every 25(Twenty five) students with strict discipline.
9. Founder and Boarders take meal on the same dinning table and available aqua fresh water.

HL-B/3548/21/12-20/01


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## REVENUE DEPARTMENT
## NOTIFICATION

Imphal, the 26th December, 2016

**No.3/5/2016-R:** In continuation of this Government's order of even No. dated 20-12-2016, a revised schedule for sponsorship of candidates through various Employment Exchanges, issuing and submission of application forms and distribution of admit cards, etc. to candidates appearing in direct recruitment to class-III & IV posts in Revenue Department, Government of Manipur is hereby notified for general information of all concerned as per schedule given below:

**Date and time of sponsorship of candidates through respective Employment Exchanges, issuing and submission of application forms and issuing of Admit Cards to candidates:**

| Sl. No. | Particulars | Revised Timeline | Venue |
|---|---|---|---|
| 1. | Sponsorship of candidates through respective Employment Exchanges | **Extended upto 05-01-2017** (during office hours) | All Employment Exchanges |
| 2. | Issuing of prescribed application forms for all categories of posts | Prescribed application forms can be downloaded from **www.manipur.gov.in** | |
| 3. | Submission of application forms and issuing of Admit Cards to candidates for all posts | **06-01-2017 to 13-01-2017** (All days including Sunday and holidays during office hours) | Office complex of Deputy Commissioner, Imphal West District at Lamphelpat, Imphal. |

**Examination Fee :** The prescribed fee for application form is Rs.500/- for General and OBC candidates and Rs.300/- for SC/ST candidates in respect of Grade-III posts and Rs.400/- for General and OBC candidates and Rs.200/- for SC/ST candidates in respect of Grade-IV posts respectively.

*Sd/-* **H. Balkrisna Singh**
Deputy Secretary (Revenue)
Government of Manipur

HL-B/3570/27&29

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF CONSUMER AFFAIRS, FOOD & PUBLIC DISTRIBUTION DEPARTMENT
## NOTIFICATION

Imphal, the 26th December, 2016

**No. 1/910/2015-DCAF&PD:** In pursuance of Government approval conveyed vide letter No. 4/9/2016-CAF&PD (Pt. II) dated 26th Dec., 2016, CAF & PD Department invites application in the prescribed format from eligible and intending candidates for the following posts on temporary basis through sponsoring of the concerned employment exchange in Manipur.

| Sl. No. | Name of Post | Pay Scale | No. of Post | UR | ST | SC | OBC | Essential Qualification |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Driver | Rs. 5200-20200+ GP Rs. 1900 | 43 | 18 | 18 | – | 7 (5-M), (2-MP) | VIII passed + Driving Licence holder with 3 years driving experience (Light/Heavy) |

Age : 18-38 years. Age relaxation in respect of OBC/ST/Govt. Employees, as per existing Government orders shall be admissible.

2. The vacancies shown above may be increased or decreased according to the vacant post available in the Department.
3. Prescribed application form can be had on payment of Rs. 500/- General candidates and Rs. 250/- for OBC/ST candidates along with details of method of selection of suitable candidates from the office of the undersigned during office hours on all working days w.e.f. 26/12/2016.
4. Those candidates who have already applied and been sponsored by the concerned Employment Exchange for the specified post but not selected for appointment to the post already advertised, need not apply. However, Directorate will issue fresh admit cards for those already sponsored candidates for appearing at the Viva-Voce/ Interview.
5. Date of issue of application form : 26/12/2016 to 28/12/2016.
6. Last date of submission of duly filled in application form : 29/12/2016.
7. Late date of submission of duly requisition from Employment Exchange : 29/12/2016.
8. Date of issue of Admit Card : 28-29th December, 2016.
9. Date of Interview/Viva-Voce : To be notified later on.

*Sd/-* **M. Yaiskul Meitei**
Director (CAF & PD), Manipur

HL-B/3571/27,29